'ইখুৎনা থাজে ইনশাংদো, ইখুৎনা তন্না
হেকচদো, নুংঙাইবনি ইনিং তম্বদো।''
- হিজম অঙাংহল ('ঐগী' শৈরেংদগী)

শৈরেং

## ঐ লাইনি

—এল চিত্র

ঐ ঙসি ইখঙ খঙহৌদনা লাই ওন্থোকখ্রে
ঐদি পামজবনি মী ওইবা
অদুবু নমদুনা ঐবু
লাই ওইহনবীরে নখোয়না
থাদোকপা তারে ঐ
নুংঙাইবা পূন্বা মীওইবগী
মসিনবু হেন্না ফরে পুন্সিদা
কান্নবা করিবু লৈরিবগে মী ওইবগী
ঐ ঙসি লাইনি
ঐনা উদবা লৈতে
ঐনা ঙমদবা লৈতে
পেনবী হৈবনি ঐদি
পীন হৈবনি ঐদি
নীয়ু অপান্বতা নীয়ু
থম্মোয়বু শেংলবদি পীগে পূন্নমক ঐ
চৈয়ু ঐবু চৈয়ু নীংথুংদ্রবা নখোয়না
শাওবীরোই ঐদি
নোক্তুম নোক্কে, নোক্তুম নোক্কে।
শ্রীকৃষ্ণনা হায় "থাদোক্তুনা পূন্নমক চংজৌ ঐঙোন্দা"
যিষুনা হায় "ঐবু নীংঙু পাপ পূন্নমক কোকপীগনি"
হজরতনা হায় "ঐদি আল্লা ফংনবগী অচুম্বা লম্বী তাকপীবনি"
ঐনা হায়গনি "পূন্নমক থাদোক্তুনা চংলক্কনু ঐঙোন্দা"
ঐবু পুনগে খনগনু, ঐবু নীংতমহল্লু-
নীংতম্মু নখোয়সু
ঐগীদমক্তা পূন্নমক থাদোল্লবদি
থাদোকপা তাই ঐসু পূন্নমক
কাউগনু ঐদি লাইনি
নত্তে মীওইবা, লাই ওইরে ঐ।

## লৌনম লাং

—ডা. অকোইজম ইবোহল

নোংমগী কোরৌ নোংজানি
ষণবী ষণনাও মমা মচাদো
অশি পাৎকী পাৎপান্দুদা
পুন্সিগী হানৌ অশংবা
হরাউ হরাউ চামিন্নরম্মী।
হায়বীরম্মী ষণবীনা ষণনাওদা
চেকশিন্না চৎলু পুন্সি খোঙচৎ
তিঙ্খং তুম্বৌতনা থনবনি
খোঙথাং খুদিং লৌনম লাংনি
মায়থোঙদনা অমা, থম্মোয়দনা অমা।
অৰাবা মশক মুন্না খঙজদ্রিবা
নুংঙাইবতনা থল্লবোই নীংলুবা
ষণনাও মচাদুনা কোইচেন চেন
খোঙফম অমখক শোয়খিবদা
অশি পাৎতুদা তাশিনখি।
পান্বে লৈজদ্রবী ষণবীদো
লৈজবী থাদুনা লাউজখি
খোঞ্জেল থোক্লা তেংথাজখি
অমুক্তবু কনবীরবদি খঞ্জদুনা
তাঙলবা মচাগী থৰায়তবু।
কাউজল থীবা মীওইবশিংদো
মশাগী কান্নরমদাইদতা শাফোঙলকপা
ওইজ ওইথক্তবু মিহৌজবশিংদো
কনাসু উগে ফংখিদরে
থৰায় থারমদাই মিৎকুপ্পুদা।
মরাইবক থীরবা ষণনাওদো
কাওবা থিনবা তৌরল্লগা
হিংজনীংখ্রবা পুন্সিনা মীরাইবীরবা
খূৎ থাখি তপ্পা তপ্পা লুপথখি
অশি পাৎকী ঈরোলনুংদুদা।

## মৈতৈ চনু অদুগী হরাও মোমোন মীনোকলক্তা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

মালেমগী অমত্তা ঙাইরবা
শান্নবুং অদুগী
মায় পাকপগী ফম্বাক থক্তা
পুর্নিমা থাজগুম্না ঙানখ্রবী।
মৈতৈ চনু অদো,
ঙানখিসনু মতম কুইনা,
শান্নবুং অদুগী ঈয়াইদা
লৈরাংগী লৈনম য়েল্লদুনা।
ঙসিগী মালেম অসিদা
মৈতৈ চনুগী
লীংজেল থৌনা শক্তাক্লবা
লৈরি, লৈরম্মী হায়বা
খঙনবা, অৰাং নোংপোক
ভারতবর্ষগী চীদায়দা
নারক্তা লোৎতুনা শাৎলি
হায়বা খঙনবা।
নহাক্কুল্লবী চনুরা কয়া
লৈরাং লৈশাৎ তল্লকখো
ঙসিগী মালেমদা অৰাংবা
থৰানগুম ঙাল্লখিনবা।

## ফৌনাসু জগোয়

—এম নিল্লকুমারি

"নয়ূমনি নহাক্কী পাল্লবা
লৌবুক লম্মাংসে"।
নখৌ পোঙনা শৈশক্লি
অৰায় অখুম তৌনরিবা।
হঙোই নহা খোন্নৌবা,
শৈহৌবা শৈবাংবা
পূন্না পূন্না শৈদিন্নে।
লৈত্রক্কী লৈতেং ওইরুবা
পাল্লবা লৌবুক কয়াসে
কুমগী নোংজুনা লাকপদা
ফৌনাসু জগোয় শাহল্লি।
ঙাইরুদনা য়ৌরকপনি
য়েংলুদনা উরকপনি
থৌবাংলোয় কয়াগী
থম্মোয় মকা লাম্বনি।
অশংবা লৌবুক্লা য়েংখৎখিবদা
অৰাংবা চীংশাংনা মায়কৈ থৎলি।
চীংশাংগী লৈতেং লোকচপনা
পীরক্লি, ত্রোং-ত্রোং খোঞ্জেলগী ঈচেল।

ফজহল্লি মহৌশাগী লৈতেংনা
ইনোৎনি চীংশাংগী লৌবুক্কী তৎত্রবা।

## পাউখুম ঙাইরি ইমানা

— মৈস্নাম বীরমনি পাল্লারবোন্দ

ইমা,
হৈকৎ-লৈকৎ তম্নরি
চহী কুমওন খুদিংগী
অথৌবা নীংশিং নুমিৎতা।
হরাওনা,
নীংশিংলি কবিগী কলমনা
শৈশকপগী নুংশিবা শুরনা
ইমা লৈবাকপু নীংশিংনা
নোকখি,
অঙৌবা শামকোক তাগনি,
কংলা উত্রা মমাঙদা
পোংজে চাওথোকচৈ অচুম্বনি।
ঙসিদি,
য়েংশিনবীনবা লৈত্রে কোনুং
মশক হোংখ্রে মন্ত্রিপুখ্রি
চেল্লগা হিংগদ্রনে ইমা?
খাঙলি,
খুজিন্দা তুম যুবসু
কাংখদা লিন চংবসু
নোকচরি অথোই-নাপলনা।
ঙাইরি,
মায়কৈ মরিগী ঙমখৈনা
তেমশিংলক্লি ঐবু ফোংনা
ওইহৌরদ্রা অনৌবা পুৰারী?
তত্তনা,
হংলক্লি মিকুপ খুদিং
চিংনবগী কিরবা ৰাহংনা
শল্লাং চৌইদ্রিবী ইমানা।

## হক

—ইরোম মোবি

অঙম্বনা মুনবিখরে
অঙম্বনা অমুক পুবিরকউ,
খাঙলি থম্মোয় খূৎতুম শু
য়েংলি খুনিং মদোন কাং
ঙাইরি নাপ্পা চিক্লা তাগদৌবগী।

## থম্মোয়দা লৈরোন চল্লসনু ৰাহৈশিংদো

—রেক্কি মাইব্রম

উখি নোংমা শকলোনপুবী মহাকপু
থম্মোয়দা ফাওরকখি নুংশি ইহুল
চিনবান্নদি ফোঙ-ঙমদে নুংশি হায়না
য়েংজখি মহাক্কী নুংশিবী মায়থোংদো।
নোকচখি ইথন-নত্তা মরম লৈতনা
তাওখি ৰাখলসে আশাগী ঈপাক্তা
হিংলি হায়বসে ঙাইহাক্তং কাউরুরে
নুংশিবী মহাকপু নীংশিংলুবা মীকুপ্তা।
ওহ! নুংশিবী নহাক্তবু নুংশিজে
মীৎমাংদা লেপ্পরো য়েংজগে পেন্না
ইখিনি থম্মোয়দা নুংশি ৰাহৈশিংদো
খনখিনি নঙগী আশাগী ৰাখলশিংদো।
ফোঙলরোই হায়ররোই থম্মোয়গী ৰাহৈশিংসে
থম্মোয় মহাক্তনা খঙবা ওইরসনু
য়েংলগা পেঞ্জগে হন্দক মপোক্কীদি
থম্মোয়দা লৈরোন চল্লসনু ৰাহৈশিংদো।

## উররোইদবা শক্লোন্দো

—রাজকুমারি মীনা

কাউরগনি নহাক্কী মায়থোঙসু
নুংশিগী চীরোলসু তৌররোই
থম্মোয়গী মরুপনা চৎখ্রবদা
পুন্সিগী কুম্মৈসু লোইখ্রগনি।
হিংলিবা চৎলিবা পূন্নমক
লাংলিবা নীল্লিবা ময়াম,
নোংমদি শোয়দনা উররোই
ঐহাকসু শোয়রোই য়াওরম্বা।
লীক্লনা খিল্লবা অহিংদা
মীৎলুদা পিরাংনা শিল্লদুনা
করিগী হিংনীংলিবা মীওইবা
থিরিবা করিগী অচুম্বা!
লোইনাইদবা অৰাবা মফমদা
চৎলগা য়ৌদ্রবা লমথুংফমদা
পুরি ঐবু লেপ্পুনা করিগী
কৌরি কপহল্লগা নঙনা পেন্নাইদনা।
অচিকপা অথাপ্পা লম্মাংদা
অসুকপা অকিবা লোকনুংদা
অথেংবা অহিংগী মংলান্দা
থাশিগী অমম্বা অহিংদা শিরবা
লাকখিগদ্রা শিরগা, চৎখিগদ্রা লাক্লগা
লেপ্পুবা ৰাখলগী ঈচেলনা
ইশিল্লিবনি খুন্নবা পাউখুম
মায়থোঙগী উররোইদবা শক্লোন্দো।

## নুংশি চারা

—বুঙোচা খুমনচা

থম্মোয়গী নুংশি লৈকোন্দা
থৰায়না পামজবা লৈরাং ওইদুনা
শাৎলরনি খঞ্জরুবা
তাইওন্নরে ঙসিদি মঙজরুবা মঙলান
মঙফাওনদ তাইবঙসিদা
নঙগী নুংশি লৈনম ফংলগা
অৰা পোৎলুম থাংলিবা থম্মোয়সিনা
তাইবঙগী অৰাবা নাম্থোল্লম
তিল্লরনি পাক্ল নুংশি ঈপাক্তা
শোন্থরবা হকচাং ঐগী
তেকখৎলনি পাঙ্গল নৌহৌননা
থকচবা ফংলবা লৈরিক অমা
লৈকা থন্না য়াওরিবা নুংশি অমৃত
অদুবু কদায় ঙসিদি
ঐগী থম্মোয় নুংশি লৈমায়দে
মৰূ ফুক্লা ফুক্তোকপীখ্রবা
নঙগী থম্মোয়গী নুংশি চারা
ময়োন অমুক চোংলক্লরোই
য়েন্নীং অমুক চোংলক্লরোই
অনৌবা য়েন্নিংথা অমা লাক্লসু
অনৌবা কুমগী নোংজুনা
লেপ্পা লৈত ফুইনা চুরসু।

মতম মতমগী ৰাখল

# মণিপুরী লোলগী নুমিৎ

লোলগী নুমিৎ থৌরম অগষ্ট ২০,২০২১ পাংথোক্লখ্রে । লোলগীদমক ৰারীনহৌরগদবা থৌদোক কয়া মাঙদা থোকখি। চহী কয়া মণিপুরী লোল ভারত সংবিধানগী ৮ শুবা তাংকক্তা চলহনবীয়ু হায়না ঙল্লিঙৈদা অখঙ অহৈশিংনা হায়রগা লাকখি । ঐনা খঙজবদা চাউরকপা কুমশীং ১৯৭০ স্বাইগী মতমসি ওইগনি খল্লি। মণিপুরগী মী অয়াম্বা মণিপুরী লোল ভারত সংবিধানগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা য়াওবা অমদি মসিগী কান্নবা অসি পাক শন্না হান্না খঙনরম্বা অমদি নত্তে । লোলগী ফজবা মচাক মরল ময়াম অমা য়াওই হায়বসি লাইরিক লাইশু নৈনবা ওঝাশিং স্কোলার খরনা পুথোকপীরকপদগী তপ্পা তপ্পা পাক চাউথোকলকখি। খন্ন-নৈনবা, মীফম পাংথোকপা, অইবা ওইনা ফোংদোকপা হৌরকই। খঙলমদবা কয়া অইবশিংনা চে পুথোক্তুনা নৈনদুনা পারকপদগী অমদি নৈনরকপদগী চুম্মী ঐখোয়গী লোল সংবিধানদা য়াওহন্দুনা কান্নবা লৌফম থোকই হায়না খোঙজং চংশিনবা হৌরকই।

ইকায়খুম্নজখিবা নিংথৌখোংজম পাবুং তোম্বীনা এম পি ওইবীরিঙৈগী মতমদা ৰাফমসি মহাক্কী মরুপ মপাংশিং অখঙ অহৈশিংদা ৰা ফোংদোকপা হৌখিবা, লাইরিক ওইনা মহাক্লা মণিপুরী লোলগী অমদি নাৎকী ফজবা কয়া " মণিপুর মেন ষ্ট্রিম.." অমদি অতৈ লাইরিক খরা ইংরাজিদা ইদুনা দিল্লিদা ফোংদোকলম্বা থেংনখি। মণিপুরগী য়াম্নমক ইকায়খুম্নজখিবা - পণ্ডিৎ ওইনাম ভোগেশ্বর, পণ্ডিৎ নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র অমদি রাজকুমার সনাহলনচিংবা মশকনাইবা কয়ানা অরীবা মরুওইবা পুয়া লাইরিকশিং পুদুনা ঙল্লিঙৈদা নেস্নেল আর্কাইবস অমদি অতৈ মরী লৈনবা এসিয়াটিক সোসাইটিগী মীওইশিংদা ঐখোয়গী লোল অমদি ময়েক মশক তাকপা হৌখ্রবনি। অরীবা ময়েকশিং পুয়া লাইরিক উরুবদগী সুনিটি কুমার চেট্রর্জিনা মহাক্কী 'কিরাত-জনা-ক্রিতি' লাইরিক্তা মণিপুরী লোল অমগী ময়েক্কী মতাংদা থাগৎপীদুনা ফোংদোকপসু লৈখ্রে। অসুম্না মণিপুরী লোল অমদি ময়েক্কী মতাংসি মপাল লমদা খঙবা হৌরকখি ।

মণিপুরী হায়রিবা কাঙলুপ অসি লোল খক্ত নত্তনা মশাগী ময়েক ফাওবা লৈরবা মীওই লাখ কয়ানা ঙাঙনরিবা অদুগা লমদমসিদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা চীংমী-তম্মী অনীমক্কী পাউ ফাওনবা মরুওইবা লোল অমসুনি হায়বসি অচুম্বা ৰাদা হায়বা ওইবনিনা মপাল লমগী স্কোলর অমদি ক্রিটিকশিংনসু য়াম্না শৌগৎপীখি । মপাল লমগী মীওইশিংদা মণিপুরী লোলগী মরমদা খঙহনবা হায়বসি অরায়বা ওইদে, মীচং সঙ্গা চঙগনি, অৰুবা ৰাফমসু ওইগনি। মসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবসি ঐনা খঙজবদা ইকায়খুম্নজখিবা নিংথৌখোংজম পাবুং তোম্বী অসি অমনি অমুক্কসু হায়জনিংঙি। মহাক্লা মতম অদুদা এম পি ওইবনিনা মপাল লমগী মীওইশিং ঙাইহাক লৈতনা ৰারী ৰাতায় শানখি। মণিপুরগী মরমদা মপান লমদা ফোংদোকপা অসি মহাকসু অমা ওইখি। ঐখোয়গী লমদম মনুংগী মীওইশিংনদি ৰাফমসি কয়া খঙনখিদে । মহাক্লা মপান্দা এম পি, টার্ম কয়ারক ওইরিঙৈদা মণিপুরী লোলগী ৰা য়াম্না ঙাঙবীরমখি হায়বসি মহাক্লা হিংলিঙৈ অথেংবা মতমদা ৰারী লীবীরমখি অমদি মহাক্লা ফোংখিবা লাইরিক অসিদগীসু ময়েক শেংনা হেন্না খঙবা ঙম্মী । মমিং লৈরবা স্কোলার সুনিটি কুমার চেট্রর্জিনা মমল য়াল্লবা ৰাফম কয়া ফোঙদোকপা ঙমখিবসিসু নিংথৌখোংজম পাবুং তোম্বী (এক্স এম পি)গা নক্লখিবা, মহাক্লা ফোংদোকখিবা কয়া অসিদগী ওইগনি হায়বসি থাজজে ।

অতৈ লমদম অসিগী ঙল্লিঙৈগী ওঝাশিং, পণ্ডিৎ কয়াগী অচৌবা মতেংশিং লৈরি । পণ্ডিৎ ওইনাম ভোগেশ্বর, পণ্ডিৎ নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র অমদি রাজকুমার সনাহলনচিংবা ঐখোয়গী অহল লমনশিং মখোয় লৈরমদ্রগদি ঐখোয়গী ময়েক অমদি লোলগী অৰাৎপা কয়া মেনশিনবা ঙমলমলোই। অহল-লমনশিং অসিনা পান্বে ওইরগা হৌরক্লিবা মীরোলদা মায়-মিৎ পাঙহন্দুনা লোন মশক, খোরিরোলগী পোৎথোক উহনবা ঙমলকখি। মখা তারকপদদি মীওই চা কয়ানা হৌনরুবা নাইদনা লোলগী অকনবা খোঙজং খোল্লাও, ৰাকৎ মীফম মাইকৈ কয়াদগী লেপ্তুনা চঙশিল্লকখি। মণিপুরগী খোরিরোলগী থৌপাং লুপশিং লোলগী খোঙজংদা অচৌবা থৌদাং য়ারকখি। লোল হায়বা ৰাফম অসি লাকপনিনা খোরিরোল শুবশিংগী মফমদদি হেন্না মরুওইনা লৌরকখি।

মতমসি খঙহৌদে ঙরাংতা ওইরবোই নীংলি । মপাল লমদা চোইনা খূন্দারিবা মণিপুরী মৈতৈ ইচিল ইনাওশিং- ত্রিপুরা, অসাম,হোজাই-লংকা, বংলাদেশতগী মীওই ফাওবনা খোঙজং চঙশিনবা মণিপুরদা লাকপীদুনা য়াওরকখি। ঐখোয়না ইরোল নুংশিরিবসিদগী মপাল লমদা খূন্দারিবা মণিপুরী ইচিল ইনাওশিংনা হেন্না নুংশিরম্বা থেংনখি। মতম অদুদা য়াওরম্বা অহল লমনশিং অদু কয়াদা নুংশিখ্রবনো । ঙসি পাংথোক্লিবা লোলগী নুংঙাইরবা নুমিৎ অসি ফংনবা তানবদা মখোয় য়াওরমখি অদুবু মখোয় ঙসিদি ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওরখিদ্রে । মতুং তারকপদা লোলগী ইহৌদা য়াওখিদবা লমদমসিগী মীওইশিং লৈখিদ্রে । কুইনা নীংজরকপা মঙলান অদু অগষ্ট তাং ২০, ১৯৯২ অসিদা ফংখি। ঙসি চহী কুন মাপল ফারে ।

হৌজিক লোলগী চাউখৎনবা থৌরাং অসি করম্বা মাইকৈদা লাক্লি, কনানা মসিগী থৌদাং লৌরি হায়বা ৰাহং অসি নৈনদবা য়াদ্রে । চহী কুনমাপল হৌখ্রে । চহী কুনমাপল অসিদা ঐখোয়না ইশাগী লোল অসি চাউখৎনবা করি করি থবক কয়াম্না পায়খৎলবগে? মণিপুরী লোল ভারত সংবিধানগী নিপানশুবা সেড্যুলদদি য়াওবা ঙমলে অদবু ঐখোয়গী ইরোন অসি ঐখোয়না কয়াম ফজনা ইকাইখুম্নবা উৎলবগে । অসিগুম্বা ৰাহংসি ঙসি লীশিং লীশিং থোকলকই । তশেংনমক ঙাঙনরিবা লোলগী নুংশিবা ইকায় খুম্নবদি মপূং ফানা থম্বীদ্রি । নুংতিগী অয়ুক নুমিদাংদা হান্নদগী ঙাঙনরকপা লোলশিং ঙাঙনরকত্রি। অনৌবা লোলয়ান, খোন্থোক চুম্‌দবা ৰাহৈ, অরানবা মিঙ্গৌ ময়াম্না ঙাঙনবা মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। ঐখোয়গী লোল ৰাহৈ ময়াম অমা মাঙশিনলক্লি । মহৈশঙদা ইমারোল মৈতৈলোন মণিপুরী অসি শোয়দনা তমদবা য়াদবা (কমপলসরি) অমা ওইহনবগী মহুৎতা ইলেকটিব ওইনা মহৈরোইশিংদা তমহল্লি। মহৈরোই অয়াম্বনসু ঐখোয়গী লোল হেন্না তম্নিংদে । ঙসি ঐখোয়গী অঙাংশিং শাজিবু কালেন খঙদে, জনুৰারী ফেব্রুৰারী খংঙি। নোংমাইজিং নিংথৌকাবা হায়নিংদে সন্দে মন্দে হায়নিংঙি। পুখম তেংকোৎকী মহুৎ কপ প্লেটনা শিল্লি। অঙাংদি তোকখ্রদনা মমানা মচাদা ইমাগী ইবুংঙো, নিংথেম হায়বগী মহুৎতা বোই,বেবি শীজিন্নবা য়াওরি। লোইনমকপুদি নত্তে । অসিগুম্বা কয়া অসিনা মণিপুরী লোল শিথরক্লবগী মরম ওইরকই।

মিঙ্গৌ থাকৌগী মতাংদদি হায়নিংঙাই য়াম্না লৈখ্রে । মমাংদসু কয়ারক পঞ্জখ্রে । মরুওইনা লোলগী নুমিৎ অসিগা মরি লৈননা খঙমিন্নবা য়াবদি ঙসিগী লাইরিক খুতম, মহৈ তম্বগী মওং - মীরোলদা হায়রগনা এদুকেসন হায়বসিদা ঐখোয় মিৎয়েং হেন্না চঙশিন্দবা য়াদ্রি । লোল চাউখৎপা হায়বসিদা মহৈলোইশঙনা লৌগদবা থৌদাং অসি মরুওই । ঐখোয়না খঙঙি-মণিপুর মী মখল, কাঙলুপ মখল য়াম্না লৈরি। কাঙলুপশিংগী মরক্তা হৌজিক ৰারী শান্নবা য়াম্না লুই। মণিপুরী লোল চাউখৎপা হায়বসি ঐখোয়না চীংগী লম য়ৌনা কোনশিনবা ঙমলিব্রা ? চীংগী লমদা মণিপুরী লোলগী মফম করিনো? লমদমসিগী অপূনবা লোলনিদি (ষ্টেট লেংগ্বেজ) হায়রগা চীংগী লমশিংদা তম্বীনবগী য়ৌশিনবা ঙমদবা, হায়রুবা ঙম্‌দবা অসি করম্বা থৌরাং শোয়বগীনো নৈনদবা য়ারোই। মহৈ মশীং তম্নবগী মীফমগী ৰারী শাবদা, য়াওবীরিবা কাঙলুপশিংগী মরক্তা মণিপুরী ঙাঙনিংদবা মী য়াওরকপা থেংনরি। ঐখোয় পুকচেল খরা চাউথোক্লবা চংলি। ঐখোয়নসু চীংগী লোলশিং য়োকখৎপীদুনা তম্পাক্কী মহৈশঙদসু তম্নবা থৌরাং পায়খৎপীবা হৌজিক্কী মতম অসিদা খন্নবা চুম্মী। মসিনা নুংশিনবা, লোল অমনা লোল অমবু ইকায়খুম্নবা হায়বদু ওইগনি। ঙসি নৈনরিবা, থৌরম পাংথোক্লিবা অসিদি কাঙলুপ অমগা কাঙলুপ অমমগী মরক্তা ফাওনবা লোল ওইরিবা মণিপুরী লোল হায়না খঙনখ্রবা অসিবু শকখঙবীবগী নুমিৎ, থৌরম পাংথোকখিবা অদুগী নুংঙাইবা উৎপনি। মসি তম্পাক খক্কী নত্তে। লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ খুদিংমক্কীনি। মণিপুরী লোল অসি লৈরমদ্রগদি ঐখোয় মশেল পাউ ফাওনদবদগী খুদোং থিবা কয়া ফাওবা মায়োক্লরক্কদৌরিবনি। তম্পাক্কী লমদসু অমগা অমগা পাউ ফাওনবা ৰারমগনি। মাগী মাগী য়েক সল্লাইগী লোল লৈরম্বদগী অমত্তা ওইনা খঙননবা মৈতৈলোন শেমখিবনি। মৈতৈলোন অসি কাঙলুপ অমখক্কী নত্তে অপূনবা লমদমসিগী লোলনি। হন্দক ইকায়খূন্নজরিবা ইনিংথৌ সনাজাউবনা মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা পুখৎনবা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎপীখিবা ৰাফম অসিসু পূন্নক্কী লাইবক ফবনি। ইনিংথৌবুসু থাগৎচরি। করিগুম্বা ক্লাসিকেল থাক্তা লাক্লগদি লোল অসিগী থাক অসি ৰাংখৎলক্কদৌরি। মসিগী মমল খঙনা ঐখোয়না ইরোলবু নুংশিনা চীং অমসুং তম অনীমক্লা হেন্না ঙাঙবীরগদি অপূনবা মণিপুরী ইকায়খূম্নবা লোল অমা হায়বদু ওইরগনি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১০০

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

মসি খক্তা নত্তনা ফম অদু য়াম্না ইকায়খুম্নবা ফম অমসুনি। চহী অমদা অনীরক-অহুল্লক পুলিস অমসুং মেজিষ্ট্রেটনা প্রধানবু কৌদুনা চৈ ঙাঙবা তৌরবসু অমসুং অমম্বা অমদি অঙানবদা খুঙ্গংগী লমহেনবা মীওইশিংনা মঙোন্দা লৈতুম্না কয়ারক হন্না লংলক্লবসু ফম অসিগী ইকায়খুম্নবা কৈদৌঙৈদা মাঙখিদে। মরমদি লৈবাক পূম্বদা চৎনরিবা মতৌগুম্না শিবপালগঞ্জদসু পান্বে অমা নৎত্রগা অমদগী ইনাকপু খুল্লক্লবদি অদুমক ইকায়খুম্নবা হায়বদু ওই। মতৌ অসিগুম্না লৈবাক পূম্বগী মতৌগুম এসোসিএসন অমা হেক্তা ওইসনু লেম্না শেল চারবসু মীওই অদুগী ইকায়খুম্নবা কৈদৌঙৈদা মাঙদে।

মরমশিং অসিনা রমাধিনগী ময়াম্বদুসু অমুক হন্না প্রধান ওইবা পাম্মী।

মহাক মশাগী চনা থারিবা লৌফম অদুদা লেপ্তুনা থংনবা লৌফমদা থারিবা চনা পাম্বীশিং অদু ফোইদৎতুনা পুল্লপ পুনশিল্লগা ময়ুম তম্না পুদুনা লাক্লম্মী। অদুগা মচিন থীরদুনা কন্না-কন্না ঙাঙলদুনা লাক্লম্মী, মরমদি মহাক্কী লৌফমদা থারিবা চনাবু হুরান্দুনা পুখ্রে হায়নবগীদমক অমদি খঙহন্নবগীদমক। মহাক্লা সনিচরবু পুখ্রি মনাক্তা শগোল গাড়ি থৌবা নুপা অমগা ৰারী শান্নরিবদু উরকই। মখোয়গী মনাক্তা মহাকসু চঙশিল্লি। শগোল গাড়ি থৌবা নুপা অদুনা মখোয় তম্না চঙশিল্লকপা উবদুদা গ্যান তানা সনিচরদগী মীৎয়েং হোংদোক্লদুনা মীওই অদুদা খুরুমদুনা হায়রকই, "ইয়াম্বা নঙ, হন্দকসু প্রধানগী ভোট লেপকদৌরিবা নৎত্রো?"

রমাধিননা লৌফমদগী চনা হুরানখিবগী ৰাফম অদু হৌদোক্লদুনা হায়রকই, ঐগী প্রধান ওইবা মতম হেক লোইশিল্লক্লমদাই অসিদা য়েংউ, হুরানবশিংনা হান্নগী ফীভমদা অমুক চৎথরক্লিবা থবকসি। হান্না ঐগী পৰার লৈরিঙৈদদি নিংশা থিংদুনা তুমিন্না ফমদুনা লৈরম্বনি। মদুগী মতুংদা মহাক্লা অরোইবদা হায়রকই, গঞ্জহোংশিংনা করিগুম্বা ঈংনা-চিক্লা লৈবা পাল্লগদি মখোয়না ঐবু অমুক হন্না প্রধান ওইহনগনি। মহাক্লা ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা চিংনবা লৈতনা হংলকই, "সনিচরনা করি ৰা হায়রল্লিবনো?"

"ভোট পীয়ু হায়রল্লিবনি।"

"অদুদা নঙনা করি হায়রিবা?"

"ঐনা হায়বনি ভোট শোয়দনা পীগনি, ভোট ঐগী নাক্তা থল্লগা করি তৌগদৌরিবনো?"

"ভোট পীবা মতমদা অফ-ফৎত খল্লগা অমদি অৰাং-অনেম য়েংলগা পীয়ু।"

"পুন্নমক খঙলে-উরে। নঙনা ভোট পীয়ু হায়রবদি অদুমক পীগনি।" হায়রদুনা শগোল গাড়ি থৌবা নুপা অদুনা অমুক হন্না হায়রকই, "ঐনা ভোট থমজিল্লগা করি কান্নগদৌরিবনো?"

রমাধিনগী ময়াম্বনা হংই, "অদু ওইরবদি ভোট সনিচরদা পীরোইদৌরিরা?"

"হায়রক্লবদি মঙোন্দসু অদুমক পীগনি। হায়রকপা মীওই খুদিংদা পীগনি। ঐখোয়দি তশেংনা নখোয়গী মখাদা লৈবা মীনি।" হায়রদুনা অমুক হন্নসু হায়রকই, "ঐগী নাক্তা ভোট থমজিল্লগা করি কান্নগদৌরিবনো?"

ময়াম্বা অদুনা মহাক্কী ৰাফম অদুবু কক্লদুনা হায়, "সনিচর-ৰনিচরদা ভোট পীগনুকো।"

"অদু ওইরবদি পীরোই।"

"ভোটতি ঐঙোন্দা পীগদবনি।"

"হোয়-হোয় শোয়দনা পীগনি।"

রমাধিনগী ময়াম্বা অদু চনা হুরানবগী মতাংদা মচিন থীরম্বদু অমুক হন্না মচিন থীর-থীরদুনা চৎখিরম্মী। খোংফম খুদিং চাং মান্নরপ ওইনা মচিন থীর-থীরদুনা হৌনা-হৌনা ঙাঙদুনা চৎখিরম্মী, মরমদি খুঙ্গং য়ৌগদবা নকশিল্লক্লে। মহাক্লা খুঙ্গংগী মীওইশিংদা খঙহনবা পাম্মী মদুদি মহাকসু গুন্দা অমনি অদুবু ঙসি য়াম্না শাওরে হায়বা।

চমরাহী অমদি অৰাংবা জাতিগী লৈফম অদুগী মরক্তা লৈরিবা গান্ধী হায়না মীংথোনবা মফম অদুদা ঙসিদি হুই অমত্তা লৈরমদে, মী কয়ানা ৰা ঙাঙনদুনা লৈরম্মী। ভোট মমাংদা রমাধিনগী ময়াম্বা অদুনা মফম অদু ফজনা শেমগৎলম্মী। মরমদি ইলেক্সনগী লোদা ইরম্বসু য়াই, নৎত্রগনা করি মরম্না ওইরিবনো খঙদে অচৌ-অচৌবা নেতাশিং ভোট লাক্কদবা থা খরা ৰাৎলিঙৈ মমাঙদা মশা-মশাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিশিংদা থবক কয়া তৌনৈ। কনাগুম্বা খরনা অনৌবা থোং শাই, কনাগুম্বা খরনা লম্বী শেম্মী, কনাগুম্বা খরনা লায়রবশিংদা চেং অমদি কম্বলনচিংবা য়েল্লি। মতৌ অসুম্না রমাধিনগী ময়াম্বা অদুনসু গান্ধীগী অকোয়বা মফম অদু মওং-মরিল তানবা শেম্নবা হোৎনরকপনি।

য়াম্না হৈথোই-শিংথোইবা মীশক অমগী মগুন অথাপ-অথাপ্পা মফমশিংদা শিনবা থুংনা শন্দোক্লবসু তশেংনা মীশক অদুগী মকোক্তি য়াওদবা অদুগুম্না মফম অদুদা য়াম্না মশা-মরেং ফনবা নিমগী পাম্বী অমসু হৌরম্মী। রমাধিননা উ পাম্বী অদুগী মখাদা গুহা অমসু শেমখি। তশেংবমক্তি গুহা অদু হান্নদগী লৈরল্লবা গুহানি, অদুবু মহাক্লা মতমগা চুনবা মওংদা গুহা অদু শেমজিন শাজিল্লগা লৈঙাক্তগী শেল লৌথোকপা য়ানবা হোৎনখিবনি। মদু তশেংনা হায়রবদি পোলিটিকেলগী কান্নবা লৌনবা থবক অমনি। মফম অদুদা লৈরিবা গুহা অদু নোংজু থা মতমদা তারকপা নোংনা ঈশিং চাওগদবা অদু গুহা অদুদা ঈশিং লোয়না চঙখিবনা ঈশিং চাওবা ঙমহন্দে। গুহা অদুগী নাক য়েৎতা যূম্বী অনী অমসু য়ুংলম্মী। মফম অদুদা নুংপাক অমগী মথক্তা "অহুমশুবা পঞ্চৰর্সি য়োজনা" হায়না থারম্মী। মদুগী যূম্বী অদু শা-ঙাগী দোক্টর শ্রী ঝাউলালনা শঙ্গাখিবনি। অদুগা থৌরম অদুগী সভাপতিনা শ্রী জগদপ্রসাদনা ওইখিবনি।

গুহা অদুদা যুম্বী য়াওনা ৰাংনা খাগৎখিবা মরম্না মপান্দগী চেন্থরক্লিবা ঈশিং অদু গহ্বা অদুদা চঙবা ঙমদনা মনাক নকপা মফমশিংদা চেনশিনখিদুনা তুংদুনা লৈরম্মী। মদুনা খুঙ্গং অদুদা মলেরিয়ানচিংবা লায়নাশিং লাকহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইরম্মী।

গুহা অদু খাগৎতুনা শেমখিবগা লোয়ননা গান্ধী হায়রিবা মফম অদুবুসু শেমগৎলম্মী। মদুদা অনৌবা চেক খরা খাগৎখ্রে। মদুদা শীজিন্নরিবা সীমেন্ট অদু থিকাদারগী মখুৎনা শোক্লুবদগী নুমীৎ ১৫ শুরবা ফাওবা কায়দনদি লৈরি। অসুম্না গান্ধীগী অকোয়বা মফম অদু য়াম্না ফজবা হায়বদু ওইরে। কোলেজদা তম্বা ঙাওশিন্নবা অঙাংশিং মফম অদুদা করি-করিগুম্বা মতমদা লাক্তুনা শান্নরম্মী। অঙাংশিং অদুগী মতৌ অদু উরুবদা মখোয়না মফম অদুদা লাক্লিবসি মফম অদুদা ফমদুনা মঙকশমদা য়োমশিন্দুনা লৈরিবা প্লাষ্টর অদু লৌথোক্লবা লাকপা মাল্লি।

ঙসি মীখল পাঙথোকপা নুমীৎনি। কোলেজগী ছুতি থাখ্রে। মীখল অদু অতোপ্পা মফম অমদা পাঙথোক্কদবনি। তশেংনা মীখল অদু চমরহীশিং লৈতবা মফম অমদা পাঙথোক্কদবনি। অদুবু হৌজিক গান্ধীগী অকোয়বা মফম অদুদা ওইনা মী কয়া পুনশিন্দুনা লৈরম্মী। তোঙান-তোঙানবা মীওইশিং মফম অদুদা যুনিটি ওইনা ফমদুনা লৈরম্মী। জ্বার শান্নবশিংনা জ্বার শান্ননবা থৌরাং তৌনরম্মী।

রুপ্পন বাবুনা লাক্লিবা অদু য়াম্না চোকথনা লাকপা মাল্লি, হান্না উখিবা তগৎ-তগৎ তেকপা মায়থোং অদু ওইরমদে। মহাক্লা গান্ধীগী মফম অদুদা লাকপা উবদা শাফবা নুপা অমনা মমিৎ খৎলদুনা হংই, "বাবু নুংঙাইরিকো?"

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৰারেংশিং অসিগী ৰাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৰাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।